# ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুরী সিনেমাগী তুংগী মরাইবক - ৩



মণিপুরদা ফিল্মগী থাক অসি হন্থরক্লে হায়নসু হায়বা য়াই, হনকৎলক্লি হায়নসু হায়নবা য়াওই। অদুবু ফিজিকেল্লি য়েংলবদি মণিপুরী ফিল্মগী হান্না লৈরম্বা ফীভম অদুদগীদি য়াম্না শাথিনা হোংলে হায়বসিদা থোইদোক্না য়েৎননিংঙাই লৈতে। মমাঙগী ইদিসনশিংদা ইস্যু/প্রোব্লেম কয়া ময়ামদা থমজখ্রে। ঙসিসু অনৌবা ইস্যু অমগা লোয়ননা মণিপুরী ফিল্মগী মতাংদা ৱাফম খরদং থম্নবা হোৎনজগে। পাবীরিবশিংনা লান্না লৌবীদনবা নীংশিংজ রি। মসি ঐখোয় খরা কুপ্না খন্নহৌদবা য়াদবগীনি হায়না লৌবীবা য়াই। ঙসি মপুং ওইনা থমজগে হোৎনজরিবসি, ফিল্ম প্রদক্সনগী মতাংদনি। ফিল্ম অমা পুথোকপদা করি করি চঙই, ফিল্ম অমা পুথোক্লিবসি করিগীনো হায়বা য়াম্না নাখৈ শেংনা কন্সেপ্ট অমা প্রদ্যুসরদা লৈফম থোকপদু ময়েক শেংলিবরা? কনাগুম্বা খরনা নঙসু ফিল্ম অমা পুথোকউনে হায়রগা ফিল্ম পুথোক্লিবরা, ঐ ফিল্ম প্রদ্যুসরনি হায়নবগী ফিল্ম পুথোক্লিবরা? ঐগী ইচা নুপা নুপীবু ফিল্মলোমদা পুশিন্নবা মখোয়গী মফম অমা থিনবা প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎলিবরা? ফিল্ম পামজবদগীনিদি লোইনা হায়গনি, পাল্লিবদু করম্বা এরিয়াদনো হায়বা অদুদি নাখৈ অমা ইশেং শেংদে। ৱাফম অসি পুন্নমক্তা থমজবা নত্তে, খরদনি। খরা হায়বসি য়াম্না লুই। হায়নবা লৈ, *চেঙ মরু অমনা চেঙকোক অমনা মাঙহল্লি* হায়না। মীয়াম তীনবদা, করিগুম্বা অমা নৈনরকপদা ফিল্ম প্রদ্যুসর অমগী ওইবা থৌদাং অদু নাথৈরগা মহাক্কী ইন্টরেষ্ট ওইনা ৱাফম থম্বসি তাবদা একাদেমীক য়াম্না ওইদে। অদুগুম্বা কয়া অদুনা থম্মোয় শেংনা ফিল্মবু নুংশিজদুনা প্রদ্যুস তৌরিবশিংগী পূক্লিংদা নীংহন্নবা পোকহল্লি। লন্নাইগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা ফিল্ম পুথোকপগী ৱারী কয়া অমসু ফিল্ম সার্কল মনুংদা লীনদুনা লৈরিবনি।

ফিল্ম অমা নম্বা মতমদা মীকোক য়াম্না চঙই। মীকোকশিং অদুগী ৱাখল্লোন অদু তোঙান তোঙানবা ওইরবসু, কোক চুংশিন্নবা মতমদদি পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা পূক্লিং- ৱাখল ফাওদোক্লদুনা মান্নবা মায়কৈ অমদা চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই। থমজরিবা অসি ময়াম্না কম্মর্সিএল বেসিসতা মীৎয়েং থম্লগা ফিল্ম পুথোক্লরিবা ফিচর ফিল্মশিংগী মতাংদনি। মীকোকশিং অদু হীরম অমত্তা তীন্নদে। স্ক্রিপ্ট রাইটর, দিরেক্টর, ম্যুজিক দিরেক্টর, আর্ট দিরেক্টর, কোরিওগ্রাফি, সিনেমাটোগ্রাফি, মেক অপ অমদি কষ্ট্যুমনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মমুৎ তানা খঙ-হৈরবা কয়াগী অপূনবা মপুথোক অমদা লাক্কদবনি। অদুনবু ফিল্ম হায়বসি সেভেন আর্টনি হায়না হায়নরিবনি। ঐ ঐনা পাম্বদু ঙাক্তা ফিল্মদা থাংজিনবা য়ারোই। মদুগী অসুপ্পা মীৎয়েং অমদি ৱাখল্লোন অদু প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টর অদুদগী হৌরক্কদবনি। প্রদ্যুসর অমগী থৌদাং অসি মতাং অসিদদি য়াম্না চাউই। মহাক্কীসু মরন্নাইগী ওইবা অঙকপা অমা হোৎকদৌরিবনি। মদুগী মতুংইন্না মহাক্কী প্লান অদু লাক্কদৌরিবনি। অদুবু মদু দিরেক্টর অমদা পুমসুপ সুপ্না শীন্নথোক্লগা ফিল্ম নম্বসু থেংনৈ। ফরসু ফৎত্রসু মহাক্কী মরাইবক ওইগদৌরিবনি। মরমদি ফিল্ম অদু নম্বদা চঙলিবা শেনফম খূদিংমক মহাক্না পুথোক্কদৌরিবনি। অদুনা মাগী মাগী মথৌ তোঙানজরবসু প্রোজেক্ট অদুগী অফ-ফত্তা পুম্নমকশিং অদু পুন্না ৱার্ক তৌমিন্নবা অমদি মথৌ তাই। হৌজিক ঐখোয়না সুম থাজবদা, কষ্ট্যুম দিজাইন তৌরিবশিংনসু দিরেক্টরগী ৱা কৈসু অরুবা ওইনা লৌনদে। আর্টিষ্ট অমদি দিজাইনর অদুনা মহাক্কী দিজাইন অদু চুম্মী লাল্লি হায়বা থিদনা পংতৌদা তৌশিল্লি। অদু ফাওবদা, আর্টিষ্ট অদুনা মসি শেৎনিংই শেৎনিংদে হায়না মরৈ-তুরৈ তৌনৈগাইনসু হায়নবা য়াওরি। মসিগা চপ মান্ননা মেক অপসু অদু মঙাই, মেক অপ মেননা মেক অপ লোইরবসু আর্টিষ্ট অদুনা ফজৈ ফজদে হায়না কম্মেন্ট পীদুনা মশানা অপাম্বা মওংদা মেক অপ তৌহনবগী চৎনবী লৈ। খরা অমদি মশাগা চান্নবা মেক অপ মেননি হায়না মশানা পুরকপসু য়াওই হায়রি। ফিল্ম অমদা মেক অপ হায়বসি য়াম্না মরুওই। মেক অপ হায়রগা ফজহন্নবগী ৱা ঙাক্তা ওইনা খন্নরিবসি লানগনি। কেরেক্টর অদুদা চঙশিল্লগা মেক অপ তৌফম থোকই। মসি মপানগী ফিল্ম (নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লাক্লবা ফিল্মশিং) য়েংবদা ইরায় লায়না



খঙবীগনি। ঐখোয়গী স্বাইদদি এক্টর অদুনা মেক অপ মেনদগী হেন্না খঙবা হেনবদৌনা তৌরিবসি চুম্বরা হায়বা ৱাহং হংনরক্লি।

মণিপুরদা ফিল্মগী থবক তৌবা অসি য়াম্না লায়বা থবক অমগুম্না খন্নবদৌনা উবা ফংই। টেক্নিকেলগী ওইবা খরা নত্তনা শুকতম তমদনা শুখঙ খঙদ্রবসু ফিল্মদদি হেক্তা চঙশিল্লগা তৌবা য়াবদৌনা লৌনবা অমা য়াওরি। মসিগী মনুংদা আর্টিষ্টশিংসু অমনি। নুপামচা অমা নুপীমচা অমা মরুওইবা রোল লৌগদবশিং অদু করিসু খঙদবদু হেক্তা পুশিল্লি। কৈসুদি কায়দে, অদুবু য়ামদ্রবদা ফিল্ম হায়বসি করিনো? এক্টিং হায়বসি করিনো হায়বা খরগী মখৈদি খঙলগা চঙবদুনা কোন্না লাকচবা হেল্লক্কনি হায়বসি খন্নদে। অঙাংশিং অদুগী মমা-মপানসু মদুদা য়াম্না পূক্লিং থৌগৎতুনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনবা উবা ফংই। ৱা হায়রকপা মতমদা শোর চুম্না ৱাহৈ পরেং সেন্টেন্স অমা চুম্না হায়বা ঙমদবা ময়াম অমনা ফিল্মদা চঙলক্লগা মরুওইবা রোল লৌরগা কয়াম য়াম্না ক্বালিটি লৈবা ফিল্ম পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো? পুম্নৌ নৌবশিং ফিল্মদা কুম্বা য়াই, কুমগদবনি। তৌবতবু সূটিংদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ামদ্রবদা অখঙ-অহৈশিংগা লোয়ননা তাথোক তাশিন তৌনফম থোকই। মখোয়দা মমুৎ তানা খঙহনফম থোকই। মদুগী শরুক অদু পুমকান কাল্লগা, ফিল্ম সূটিং মফমদা লাক্লগা মেক অপ তৌরগা, অদুসু কৈসু খঙদবা মমাদুনা মচাদা তৌরিবা মেক অপ অদু য়েংলগা, স্বাইসি ফজবা খরা ৱাৎলি, স্বাইদা খরা হাপ্পু হায়বনচিংবা মখল কয়াগী পাউতাক পীবসু ঐখোয়না তাবা ফংই। ফিল্ম মেক অপ অমদি ফিল্ম হায়বা অসি ফেসনগা য়াম্না খেন্নৈ হায়বা অসি ফাওবা খঙদবা মরুওইনা নুপীমচা অনৌবা আর্টিষ্টশিংগী পেরেন্টশিং য়াওরি। ফিল্ম হায়বসি হান্না মুন্না খঙলগা চঙলক্লুগদি য়াম্না ক্বালিটি লৈবা ফিল্মশিং পুথোকপা ঙমগনি। গ্লামরদা ফেসনদা চঙশিল্লগা ফিল্ম নম্বনদি অফবা ফিল্ম পুথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি।

মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরী ফিল্মগী মতাংদা হায়নবা ৱা য়াম্না লৈ। মদু তারুরগদি য়াম্না নুংঙাইতে। "ৱারীসু চপ চপ মান্নে, ফিজেৎতনি খরা হোংলিবা। এক্টিংসু করিমত্তা খেন্নবা লৈতে। রোলদুদনি খেন্নরিবা, কেরেক্টর-রোল খেন্নবগী মতুংইন্না এক্টিং খেন্নফম থোকপদু অমত্তা উবা ফংদে। দাইলোগ ঙাংবসু মতৎ মতৎ, পদ্রৎ পদ্রৎ ইচম চম্মী, মপুং ফানা খোম্থোক চুম্না ৱা অমত্তা হায়বা হৈতে। ঙাংলিবা দাইলোগ অদু প্রোম্পট তৌরগা ঙাংবনি হায়বা অয়েংবশিংদা খঙহল্লি। উৎফম হোলসু লৈতে, অঙাংশিংগী নম্বা ফিল্ম ওইনা তৌরদনা" হায়বনচিংবা তাবদা ৱারবা লোল কয়া অমা হায়নরি মসিগী মরম করিনো? কদায়ৱাইদা ঐখোয়গী অশোয়বা লৈরি হায়বসি থিদোকপা অমা মথৌ তাই। মপানগী অফবা ফিল্মশিং ঐখোয় স্বাইদা য়েংবা ফংবসি য়াম্না তাঙনা তাঙনা থোকই। করিগুম্বা মতমদা ওর্গনাইজেসন অমা অনীনা অমদি খরা মচিন চৎপশিংনা অতাঙবা ফিলম পুরক্লগা ফেষ্টিভেল ওইনা শীন্দুনা কাপ্লবসু হৌজিক্কী এক্টরশিং অমদি ফিল্ম মেকরশিংগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা লাক্তুনা য়েংবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। অদুগুম্বা অমাঙবা ফিল্মশিং য়েংনবগী তাঞ্জা শোয়দনা লৌনরগা, ঐখোয়না তৌরিবা অসিদা করি করি মেনখৎপা য়াবগে অমদি করি অনৌবা আইদিয়া অমা লাকপগে হায়বদু মুন্না খন্ন-নৈনবা অমা মথৌ তাই। ঐনা পুথোকপা মী কপহনবা ঙম্বা ৱারীদা ফিল্ম পুথোকপনি হায়না ইচম চম্না লৈথোকপনদি অফবা ফিল্মগী মঙ মঙবা ঙম্লোই। ঐখোয়দা লৈরিবা টেলেন্টশিং অসি মফম চানা অমদি মরম চানা শীজিন্নরবদি ঐখোয়দগী হেনগদবা লৈরোই।

ফিল্ম অমা নম্বদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অসিনা পুন্না ৱা তান্নরগা ফিল্মদুগী টোটেলিটিদা ওইহন্নিংবা মশক অদু মুন্না খন্নরগা ৱাখল্লোন মান্ননা চঙশিনমিন্নরগদি ঐখোয়গী অফবা ফিল্ম কয়া পুথোকপা য়াগনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অতাওবা ৱাখলনা মাঙওইনরগা ফিল্ম পুথোক্লবগী ৱাখল অসি থাদোকপা মথৌ তাই। আর্ট হায়বসিদি মহাক্কী এস্থেটিক অদুগী মহাও, মনম পীবা ঙমদ্রবদি ফজবা হায়বা অদু ওইবা ঙমদে। অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী কলচরগী অমদি ঐগী টোপিক অদুগী এস্থেটিক্স অদু হান্না মমুৎ তানা নৈনবা মথৌ তাই।

*- নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওস্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০৭।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
থৱানগী ৩নি পানবা।

**মেষ:** নচাক-নরল চাওখৎকনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্ননা থৌপাঙবা য়াগনি। হুরানবনা তাথিবা, অরুবা ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃষ:** থৌনা ফুদোকপা মতাং ইচা-চারোই অমদি ফিংবনা কায়নবা নংগনি। নীংহন্নবদি তৌগনু-মদুনা মায় পাক্লবগী উপায়নি। থেংলপ্পা মীয়াম্না থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** লাইবক ফবনা নচাক-নরল চাওখৎপগী নুংঙাইজবা লৈগনি, অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্কনি। ৱাঙাং হৈত্রদি নরল কায়বা য়াই-মরুপ খনবা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কর্কট:** কল্লকপা য়েংথিবা য়াম্মী, মীয়াম্না পান্নদবা থবক পাঙগনু অমদি মীৱা হেন্না থাজগনু। অহল লমননা হায়বা তাকপা লৌরদি মাঙবা লৈরোই, য়েক্লবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** হরাওবা-নীংবা থুংবা, অনীংবা থবক পাঙদুনা ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি। অয়েৎপা থবক্তা শীখাঙ খাঙবদি ফরোই, লাই-গুরুনদি চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কন্যা:** অনীংবা পাঙবগী, পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি থাজদনা নক্লবনা তাথিবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** অঙম্বনা চানবীগনি, থবক থৌরম শীন্দোকপা হৈগনি, শেল-থুম তানবা কান্নগনি। নক্লবনা য়েৎপা অমদি হন্থবা লোয়নবনা মাঙজবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** নীংবা মপা চাগনি, অঙম্বনা চানবীগনি, মীয়ামগা মরী ফগৎকনি। লৌশিং তানশিনবা য়াগনি, লমদৈ নুংঙাইবা পাউ তাগনি, অনৌবা মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**ধনু:** থেংলপ্পা ইকায়খুম্নবা ফংজবা, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাবা, ইমুং-মনুং ৱাতান্নবনা হেন্না নুংঙাইজগনি। নাপল অমদি অশাওবনা মাঙহনবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মকর:** খাঙবা কনবা, ৱাঙাং চেকশিনবা অমদি অশাওবা ফাথবনা তোংজগদবা নুমিৎনি। য়ারগদি ঈংথনা লৈয়ু, লৌশিং চাওবগী পাউতাক্তমক লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা মাঙজবা, চাদিং হেনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি। লেঙদবা নরলদি চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** মীচঙ লৈগনি, ৱাখল থোকপা অমদি মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু, য়েক্লবনা নচা-ননাইদা তাথিগনি-অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## শেংদোরক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা অথিংবা লৈখিগনি : কে কে এল


ইম্ফাল,জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
নোংপোক সেকমাইদা লৈবা নাওরেম নাওবা অমদি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা থোকচোম বেরোল অনীনা কে কে এলদা চঙজরক্তুনা মখা তানা করিগুম্বা প্লেটফোর্ম অমত্তদা ভাইরেল চৎখিবা ভিদিও থাদোক্লরোই হায়না য়ানরে অমদি মখা তানা মসিগুম্বা মীতৈ খুন্নাইদা শোকপা লিক্লমদা কায়বা ভিদিও অমদি এক্টিং অমত্তা তৌররোই হায়না মশানা য়ানা লৈবাক মীয়ামদা অমদি কে কে এলদা শেংদোক্লে। অদুবু হায়রিবা অথিংবা অসিদা লাঙ্গোল নিংথৌ কম্মিটি অমদি ফাগীরোয় হেপ্পি রাজেনগী মথক্তদি মতম চুপ্পগী ওইনা অথিংবা অসি অদুম্মক লৈখিগনি। মরমদি ঙসি ফাওবদা কে কে এলদা অমদি লৈবাক মীয়ামদা চঙজরকপা লৈত্রি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল) মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈ ঙাকপা লুৱাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাঙ্গোল নিংথৌ হরাওবগা মরী লৈননা এভর্টিজ তৌবা মানবা ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা অমদি যু ট্যুবতা ভাইরেল চৎলক্তুনা কে কে এলনা কুপ্না য়েংশিনবা অশোয়বা অরানবা থেংনখিবনি। মীতৈ খুন্নাইবু মাঙথোকপা লিক্লমদা কায়বা, মীতৈবু য়োম্থোকপা ওইবনা কে কে এলনা হায়রিবা ভিদিও অসি চহী অসিগী জুলাই ২৫দা ফংদুনা ভিদিও অসিদা মপুং ওইনা শক্তম লাঙলিবা-লাঙলিবী অমদি লাঙ্গোল নিংথৌ লাই কম্মিটি মতম চুপ্পগী ওইনা থিংজিনখিবনি।

মসিগুম্বা মীতৈ খুন্নাইদা শোকপা য়াবা থবক হেক তৌরকপা মীকুপতা কে কে এলনা য়েংদুনা লৈরোই হায়বসি মীয়াম্না খঙবীয়ু। ঙসি মণিপুরদা মপুং পান্দবগুম তৌরিবা ময়াম অসি কে কে এলনা শুকশোয় শোয়দনা কুপ্না য়েংশিল্লগনি। লোয়ননা চুমথোক্লবগী অরোইবা পাম্বে শীজিন্নগনি। মণিপুরগী ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিংদা অমুক্তসু পাউজেল পীজরি মদুদি মীতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইদা শোকপা ইনাৎ, লাইনিং অমদি লিক্লমদা কায়বা য়াবা থবক অমত্তা তৌবীগনু। মদুনা তুংগী মীরোলশিংগী অচৌবা অকায়বা অমা লৈগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সংবাদপত্র
SALESMAN - URGENTLY
MALE - 3
FEMALE - 1
(Rs. 144000, 120000, 84000, 78000) p.a.
HL-P/3540/29,31
Contact No. : 8974761135


ষ্টীল ডেকর
GET ANY FURNITURE, PAY LATER
UPTO 30% OFF
* WEDDING & OFFICE FURNITURE
SOFAS | DINING | BEDROOM | OFFICE
* EMI AVAILABLE WITHOUT DOWNPAYMENT
* ALSO ACCEPT CREDIT & DEBIT CARD
"PICK YOUR CHOICE", "PAY AT YOUR CHOICE"
(SHOP FROM SHOWROOM)
SAGOLBAND TERA AKHAM LEIKAI,
Near NAMBUL RIVER BANK,
IMPHAL WEST, MANIPUR - 795001
Insta page : steeldecormanipur
HL-P/3357/31



Title : Rose
By : Salam Roshima Chanu
Class : VI Sec: A Roll : 01
School : Maheilen Education Centre Haotal



Title : Goofy
By : Adison Elangbam
Class : I Sec : Maroon Roll No. : 22
School : Lee Faith School



Title : Flag
By : Volenson Yendrembam
Class : III Roll : 05
School : Kids Tower School Malom



Title : Car
By : Gurumayum Shrijitchand Sharma
Class : Pre-Nursery Sec: A Roll : 18
School : Prince Unique Foundation, Canchipur



Title : Sea Devil
By : L. Devnarayan
Class : II Roll : 01
School : Macha Leima



Title : Tortoise
By : Lairellakpam Lanthoiba Angom
Class : Nursery Sec: G Roll : 11
School : Shining Byrne Academy



Title : Superman
By : Liklam Soibam
Class : II Roll : 01
School : P.K.C. Langmeidong



Title : Dog
By : Linthoi Leitanthem
Class : II Sec: D Roll : 39
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : N. Gyanish
Class : I
School : N.R. Academy



Title : Pikachu & Ash
By : Perseus Maibam
Class : II Sec: B Roll : 30
School : Kendra Vidyalaya Leimakhong




Title : Environment
By : Raj Kumar Arjun Sana
Class : IV Sec: A Roll : 26
School : Bethany School Guwahati



Title : Owl
By : R.K. Chinglembisana Devi
Class : I Roll : 10
School : Impetus School, Thinungei



Title : Naruto
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Roll : 04
School : Galaxy High School



Title : Doremi
By : Pibathoi
Class : V Roll : 28
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Landscape
By : S. Tarun
Class: V Roll : 37
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Air Balloon
By : Telheiba
Class : V Sec: A Roll : 21
School : Maheilen Education Centre, Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।